# মণিপুরগী প্রভিশ, মেনাকা অমসুং সনামচা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিংগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

হিসার, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

হরয়ানাগী সিটি হিসারদা পাঙথোক্লিবা ৫শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা বাউটশিংদা মণিপুরগী বোক্সর প্রভিশ কোন্থৌজম, মেনাকা নিংথৌজম অমসুং সনামচা থোকচোম মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



সনামচা



মেনাকা



প্রভিশ

ঙসি মণিপুরগী প্রভিশ কোন্থৌজমনা কিলোগ্রাম ৬০গী কেটেগোরিদা দেল্লীগী বোক্সর পরুল অধিকারিগা লম্বা তৌনরকপদা বাউট অদুগী রাউন্দ খুদিংমক মহাক্না ফজবা হেনখিবদগী বাউট অদুগীদমক্তা লৈখিবা জজ মঙামক্না মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীদুনা ৫-০দা মায় পাক্লগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

অতোপ্পা কিলোগ্রাম ৬৩গী বাউটতা মণিপুরগী বোক্সর অমা ওইনা শরুক য়ারিবী মেনাকা নিংথৌজমনা কেরলাগী বোক্সর এনেট ভি রাজনগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা বাউট অদুগী হৌরকপদগী মেনাকানা ফজবা হেনবা মরম্না খুদুম চনখি। অনীশুবা বাউট অদু লোইদ্রিঙৈদা মখা তানা ফজবা ঙমখিবা মেনাকা নিংথৌজমনা এনেট রাজনদগী য়াম্না হেনখিবা অদুদা বাউট অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবা রেফরিনা মেনাকাগী মশান্না অদুদা মখা তারবদি কেরলা বোক্সর এনেট রাজন শোকপা হেল্লগনি হায়বগী পান্দমদা মশান্না অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্ট (আর এস সী)দা মেনাকানা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

কিলোগ্রাম ৭০গী বাউটতা মণিপুরগী বোক্সর নিলম লাইশ্রমনা হিমাচল প্রদেশকী স্রিতিমা থাকুরগা লম্বা তৌনরকপদা হিমাচল প্রদেশকী বোক্সর অদুনা অহানবা রাউন্দ অদুদা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী বাউট অদু রেফরিনা নিলম লাইশ্রম মখা তানা শোক্তনবা হিমাচল প্রদেশকী স্রিতিমা থাকুরদা আর এস সী পীদুনা নিলম লাইশ্রম অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা কিলোগ্রাম ৭৫গী বাউটতা মণিপুরগী বোক্সর সনামচা থোকচোমনা মহারাষ্ট্রগী বোক্সর সনিকা সাসানেগা লম্বা তৌনরকপা অদুদা হৌবদগী সনামচানা য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ফংবা য়াবা শোট কয়া তৌশিনখিবা অদুগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রগী বোক্সর অদু খুৎ হনবা ঙমদনা লৈরকখিবনা রেফরি অদুনা বাউট অদু মখা চথরবদি মহারাষ্ট্রগী বোক্সর অদু হেন্না শোকপা য়াবগী ফীভম উবা মরম্না আর এস সী (রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্ট)দা সনামচানা মায় পাক্তুনা মহাকসু মঙাশুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং ৫শুবা এলিট নেসনল ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবা বোক্সর ১১গী মনুংদা সর্জুবালা, বেবিরোজিসনা, সামিম বানু অমসুং ওজিবালাসু মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মণিপুরগী অশালাতা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে লোয়ননা এলিনানা কিলোগ্রাম ৬৬ অমসুং লোইদাংনা কিলোগ্রাম ৮১ মথক্কী অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী সমির বর্মানা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেন থোইরগা ক্বার্টর য়ৌখ্রে, সিন্ধু মায়থীহৌরে

ওদেন্স, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

দেনমার্কনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ওদেন্সতা চথুরিবা ভিক্টর দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা য়াম্না ফজবা মওংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সমির বর্মানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ূম্বু লৈবাক অদুগী এন্দর্স এন্টোনসেনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাসনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।



সমির বর্মা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা য়ূম্বু লৈবাক দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা গেমদগী হৌরদুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। পোইন্ট লৌবগী চাং সমির বর্মানা হেন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা গেম অদুদা দেনমার্ককী এন্টোনসেন পোইন্ট ১৪ খক লৌবদা ঙাইরিঙৈদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মানা পোইন্ট ২১ য়ৌবা ঙমখিবদগী মায় পাক্তুনা অনীশুবা গেমগীদমক শেম শাখি।

মরেপ ৱাংবা হেনবা এন্দর্স এন্টোনসেনগী ফজবা স্মাশশিংনা মতেং ওইরগা অনীশুবা গেম অদু সমির বর্মাবু অকনবা মওংদা মায়থীবা পীননবা হোৎনরকখি। শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট কা-হেন্না খেন্নদনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াগী সমির বর্মানা ২১-১৮দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ফ্রান্সকী থোমাস রোজেলগা শান্নবদা মায় পাল্লকখিবা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোগা লম্বা তৌনরগনি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারকখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং মায়থীহৌবদগী লেমহৌরিবা শান্নরোয় সমির বর্মা খক্তমক ঙাইহৌরে। কিদম্বী স্রিকান্ত, বি সাইপ্রনিট, পরুপলি কশ্যাপ অমসুং লক্ষ্য সেন মায়থীহৌখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মরিশুবা সিদেদ ওইখিবী পি ভি সিন্ধু টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়োংগা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সিন্ধুগী মায়কৈদগী কা-হেন্না প্রেসর পীবা ঙমখিদবদগী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১১দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেম অদুদা সিন্ধুগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরকখিবা অদু পোইন্ট ফংবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া লৈখিদবদগী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ২১-১২দা থোইদুনা পি ভি সিন্ধু মায়থীহৌখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান প্যের অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ সাটৱিক সাইরাজ রানকিরেদ্দিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মলেসিয়াগী গোজি ফৈ অমসুং নুর ইজুদিনগী মখূৎতা ২১-১৪, ১৫-২১, ১৫-২১দা মায়থীহৌখি।

# য়ু এ কে ওনা য়েংখোম বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ কিক্বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (য়ু এ কে ও) মণিপুরনা থা অসিগী ১দগী ৭ ফাওবা হিমাচল প্রদেশ এমেচর কিক্বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা উনা সিটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনল কিক্বোক্সিং ট্রেনিং কেম্পতা য়ু এ কে ওগী মায়কৈদগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্তগী য়েংখোম বিরেনবু নেসনল এক্রিদিটেদ কোচ ওইনা কিক্বোক্সিং মশান্নগী খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

কেম্প অদুদা য়ু এ কে ও মণিপুরগী হরিদাস, বোইচা অমসুং ননাও ৬শুবা এসিয়ন ইন্দোর মার্সিএল আর্টকীদমক ইন্দিয়াগী টিম ট্রায়ল সেলেক্সনদা খল্লকখি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী বোক্সিং ট্রায়ল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস):

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ওইবা টিম শেম্ন বগীদমক ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ঙসি পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ককচীং ৱাই এম হায় স্কুলগী সী ঈ এস সী এ হোলদা থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা নবেম্বর ২২দগী ৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ানিংবা বোক্সরশিংনা সেলেক্সন অসিদা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা শরুক য়ানিংবা বোক্সরশিংনা মশা-মশাগী ওরিজিনেল দোক্যুমেন্টশিং অদু পুরক্লগা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

# গোৱাদা পাঙথোক্কদবা ট্রেদিসনেল রেষ্টলিংগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস):

গোৱানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২৯দগী ৩১ ফাওবা চথুগদৌরিবা ৯শুবা এ আই টি দব্লিয়ু পি এফ নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পনক্রাসিওন চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

গোৱাদা লৈবা বান্দেজকী মাইজোন্স লেক ভিয়ু রিজোর্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনলগী থাক্তা লম্বা তৌনগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী ওইনা নুপী ১৬ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৪৯না শরুক য়াগদৌরিবনি।

টিম অসিগী মেনেজরনা টি রিশিকান্ত শর্ম্মা, টিম কোচনা এম পি এস সীগী এল গোকুলচন্দ্র অমসুং এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজরনা এল ইবোপিশকনি।

হায়রিবা টিম অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা লমথাখিবনি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোহল, ওল ইন্দিয়া কোংফু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন অমসুং ওল স্পোর্টস এসোসিএসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. টি ঐচ রোশনসু শরুক য়াখি।

# অম্ফানা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পীরকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা গ্রাসরুটস প্রোগ্রাম অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননসু তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপকী ওইবা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী মফম খুদিংমক্তা চহী ৬তগীনা ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# এম এম এগী শান্নরোয়শিং কৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা নেসনল কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ানিংবা মিক্স মার্সিএল আর্ট শান্নরোয়শিংবু কৌরি।

মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্ট এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চেন্নাইদা চহী অসিগী নবেম্বর ১৩ অমসুং ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল এস এম এ সী বোক্সিং ট্রোফি ২০২১- নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, তেলঙ্গনা ষ্টেটকী কোনুং হায়দরবাদতা লৈবা সরোরনগর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা দিসেম্বর ৩দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন থাই বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অমসুং উত্তর প্রদেশকী সিটি খুর্জাদা দিসেম্বর ১২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল এম এম এ চেম্পিয়নশিপ, প্রোফেসনেল এন্দ এমেচর ফাইটশিংদা শরুক য়ানিংবা মণিপুরগী এম এম এ শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

হায়রিবা টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়ানিংবা মিক্স মার্সিএল আর্ট শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্ট এসোসিএসনগী ওফিসতা মরী লৈনবা চে-চাং পুরগা সেলেক্সনগীদমক শরুক য়াবা য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।




HL-P/0356/14 to 23 Oct.

# য়ুরোপা লীগকী গ্রুপ সীগী মেটচতা ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটিগী দাকানা পাঞ্জল ৪ চল্লগা রসিয়াগী স্পার্টাক মোস্কোবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবকী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব লেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় দাকানা পাঞ্জল ৪ চল্লগা স্পার্টাক মোস্কোবু ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।



ঙরাং মোস্কোগী ওটক্রিটে এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ূম্বু স্পার্টাক মোস্কোগী সোবোলেবনা ১১শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচ মখা চথরকপদা টিম অদুমক্কী মায়কৈদগী লার্সননা ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি। অদুবু অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদাই মীৎকুপ্তা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী দাকানা পাঞ্জল ১ চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা দাকানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি। মহাক্না ৫৪শুবা মিনটতা হেটট্রিক চল্লগা লেষ্টর সিটিনা স্পার্টাক মোস্কোবু ৩-২দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা হেটট্রিক ফংখ্রবা দাকানা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৪-২দা মাঙজিল থাখিবা অদু স্পার্টাক মোস্কোগী সোবোলেবনা ৮৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা লেষ্টর সিটিনা ৪-৩দা থোইখি। গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিগী নাপোলিনা পোলেন্দগী লেজিয়া ৱার্সোবু ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

গ্রুপ এদা ফ্রান্সকী লিওননা চেক রিপব্লিককী স্পার্টা প্রাকপু ৪-৩দা থোইখি। অদুগা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্সনা দেনমার্ককী ব্রোনবিবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ বিদা ইটালিগী মোনাকোনা নেদরলেন্দসকী পি এস ভি এন্দহোভেনবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। অদুগা গ্রুপ অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী রিয়াল সোসাইদেদনা ওষ্ট্রিয়াগী ষ্টুর্মবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ দিদা জর্মনিগী এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা গ্রিসকী ওলিম্পিয়াকোসপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইরগা মাঙজিল থাখি। লোয়ননা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টর্কিগী ফেনাবেস অমসুং বেলজিয়মগী এন্ট্রেপকী টিম পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ ঈদা টর্কিগী গালাটাসারেনা রসিয়াগী লোকোমোটিভ মোস্কোবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারি। অদুগা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিগী লাজিও অমসুং ফ্রান্সকী মার্সিএল পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ এফতা সর্ভিয়াগী রেদ ষ্টার ব্লেগ্রেদ অমসুং নোরৱেগী মিটিলেন্দ ১-১দা দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা টুনিসিয়াগী ব্রাগানা পোলেন্দগী লুদোগোরেটসপু ১-০দা থোইখি।


গ্রুপ জিদা স্কোটলেন্দগী সেলটিকনা ওষ্ট্রিয়াগী ফেরেন বারোসপু ২-০দা থোইরগা জর্মনিগী বেয়র লেবরকুসেন অমসুং স্পেনগী রিয়াল বেটিস ১-১দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ ঐচতা ইংলেন্দগী ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা বেলজিয়মগী গেঙ্কপু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা মাঙজল থারি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী রেপিদ ৱেননা ক্রোএসিয়াগী দাইনামোবু ২-১দা থোইখি।




HL-B/7200/5/10-30/11

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 267**

**Abrahamyan,T (2344) - Lee,Megan (2211)**
**ch-USA w 2021 Saint Louis USA (10), 2021.10.17**

1.Nf3 d5 2.g3 g6 3.Bg2 Bg7 4.O-O e5 5.d3 Nc6 6.e4 dxe4 7.dxe4 Qxd1 8.Rxd1 Bg4 9.c3 a5 10.a4 Be6 11.Nbd2 Bh6 12.Bf1 O-O-O 13.Re1 f6 14.Nc4 Rd7 15.Rb1 Kb8 16.Be3 Bxe3 17.fxe3 Nge7 18.b4 Bxc4 19.Bxc4 Rd6 20.Rf1 Rhd8 21.h4 h5 22.Kf2 Ng8 23.Ke2 Nh6 24.Rb2 Ka7 25.Rfb1 axb4 26.cxb4 Ne7 27.a5 Rc6 28.Bb5 Rc3 29.Rd2 Rxd2+ 30.Kxd2...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 266 Ans. :**

19. ...Rab8 20.Qe4 Bb5+ 21.c4 Bxc4+ 22.Bxc4 Rxb2 23.Nc2 Rd2 Double attack 24.Qa8+ Rb8 25.Qxb8+ Qxb8 26.Re2 Rxe2 26. ...Qf4 27.Rxd2 Qxd2 Double attack The black queen captures White's rook, which was defending White's knight.28.hxg4Qxc2
19. ...Ne5 20.Qe4 Bc6 21.Qe3 Qxg2+ 22.Ke2 Nf3 23.Red1 Nxd4+ 24.Rxd4 Rxd4 25.cxd4 Bd5 26.Rc1 h6 27.Rc7 Bxb3 28.Qxb3 Qe4+ 29.Qe3 Qb1 30.Qa3 a5 31.Kf3 Rb8 32.Qxa5 Qh1+ 33.Kg3 Rxb2 34.Rc8+ Kh7 35.Qa8 Qg1+ 36.Qg2 Qxg2+ 37.Kxg2 Rxa2 38.Rc5 Rd2 39.Rc7 Kg6 40.Rd7 e5 41.d5 Rd4 42.Kg3 Rd3+ 43.Kg2 e4 44.d6 f5 45.Rd8 Kg5 46.d7 Kf4 47.h4 g5 48.Rh8 Rxd7 49.Rxh6 g4 50.h5 Rd2 51.Rg6 e3 52.h6 Rxf2+ 53.Kg1 Ke5
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com